## ইলেক্সনগী লান হৌখ্রে

লন্দন, নবেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :

ব্রেক্সিট শোয়দনা পাঙথোক্কনি হায়বা ৱাশক অমগা লোয়ননা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সন্না মহাক্কী মীখলগী কেম্প্যেন হৌখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মরু ওইবা লম্বা ওইরিবা লেবর পার্টিগী লুচিংবা জেরেমি কোর্বিনবু মহাক্না লেবর কেম্পশিংদা থাজিন্দুনা মীওই মিলিয়ন কয়া শিহনখিবা সোভিয়েট লুচিংবা জোসেফ ষ্টেলিনগা চাংদম্নখ্রে।

হৌখিবা চয়োলদা পার্লিয়ামেন্টনা মীখল ঙন্না পাঙথোকপগী ৱাফম য়াখ্রবা মতুংদা বৃটিশ সিটিজনশিংনা দিসেম্বর ১২ দা ভোট থাদনগদৌরিবনি।

## ক্লাইমেট ইমর্জেন্সি

পেরিস, নবেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :

গ্রীনহাউস গ্যাস ইমিসনশিং থোকহল্লিবা মীওইবগী থবক থৌরমশিং অমদি ক্লাইমেট চেঞ্জকা মরী লৈনবা অতৈ ফেক্টর কয়াদ তুং কোইনা চৎনগদবা অহোংবা খরা লাকহন্দবা তারবদি মীওইবনা হায়নিংঙাই লৈতনা অৱাবা কয়া মায়োক্নরক্লি হায়রদুনা মালেমগী সাইন্টিষ্ট ১১,০০০ হেনবনা গ্লোবেল ক্লাইমেট ইমর্জেন্সি লাউথোকখ্রে।

# তাজিক বোর্দর পোষ্টতা মিলিটেন্টশিংনা এটেক তৌদুনা মীওই ১৪ হাৎখ্রে : সিক্যুরিটি ওফিসল



দুসানবি, নবেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :

হৌখিবা অহিংদা মাইখুম উপ্পা ইস্লামিক ষ্টেটকী মিলিটেন্টশিংনা তাজিক-য়ুজবেক বোর্দর পোষ্ট অমদা এটেক চথখিবগা লোয়ননা নাকল অনীগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্নবদা মিলিটেন্ট ১৫, গার্দ ১ অমসুং পুলিস পর্সনেল ১ শিখ্রে হায়না তাজিক ওথোরিটিশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা থা খরা অসিদা তাজিকিষ্টান্দা পরিং নাইনা এটেক কয়া চথখ্রবা মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিগী মায়কৈদগী বোর্দর এটেক অদুগী মতাংদা খুদক্কী ওইনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকখিদে।

বোর্দরগী তাজিকিষ্টান থংবা মায়কৈদা চথখিবা এটেক অদুগী মতুংদা খুৎলায় পায়বা মীওই ৫ ফাখি হায়না তাকিজিষ্টানগী নেসনসল সিক্যুরিটি কম্মিটিনা ফোঙদোকখি।

কম্মিটি অসিগী মতুং ইন্না আই এস মিলিটেন্টশিংনা এটেক তৌরিবা বোর্দর পোষ্ট অদু কেপিটেল দুসানবিগী খাং নোংচুপ্লোমদা কিলোমিটর ৫০ রোম লাপ্পা লৈ।

কম্মিটি অসিনা থাদোরকপা ফোটোগ্রাফ অমদা অমুবা মিলিটরি ফিজোল শেৎপা মৈনা কাহৎলবা মীওই অহুমগী হকচাংশিং অমাঙ-অতা থোক্লবা কার অমগী মনাক্তা লৈমায়দা তাদুনা লৈবা উখি। খুৎলায় পায়বশিং অদু থা অসিগী অঙনবদা অফঘানিষ্টানগা লোন্নবা তাজিক বোর্দর লাল্লগা হান্নগী সোভিয়েট রিপব্লিক অসিদা অখন্নবা মিসন অমা চঙলকখিবনি হায়না কমিটিনা ফোঙদোকখি। হৌখিবা চহীদা তাজিকিষ্টান্দা থোকখিবা নোংচুপলোমগী সাইক্লিষ্ট ৪ হাৎখিবগী থৌদোক্না লোয়ননা চহী অসিগী মেদা থোকখিবা জেলগী রাইওট অমসু ইস্লামিক ষ্টেটনা মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌখ্রবনি। ইরাক অমসুং সিরিয়দা মরু ওইবা ষ্ট্রোংহোল্ড লৈ হায়না লৌনখিবা জিহাদিস গ্রুপ অসিনা সুনি ইস্লামনা মরু ওইবা লাইনিং লম্বী ওইবা সেন্ট্রেল এসিয়াদগী ফাইটর লিশিং কয়া রিক্রুট তৌখিবনি।

# জোর্দানদা টুরিষ্ট কয়া থাঙনা থিনখ্রে



অম্মান, নবেম্বর ০৬(এজেন্সি) :

ফোরেন লমকোয়বশিংনা পাম্নবা জোর্দানগী সিটি জেরাসতা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা টুরিষ্ট কয়া অমদি লোকেল গাইদস অমগা লোয়ননা সিক্যুরিট গার্দ অমা থাঙনা থিনখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

সিক্যুরিটি সোর্স অমনা রোইটর্সতা ফোঙদোকখিবদা, ভিক্তিমশিং অদুগী মনুংদা অহুমদি স্পেনিস নুপীশিংনি। মখোয় হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নরি। থাঙগী এটেক অদুগা মরী লৈননা নুপা অমা ফারে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

জোর্দানগী জেরাস সিটি অসি রোমান নিংথৌশিংনা পাল্লিঙৈ মতমগী ষ্ট্রেকচর কয়াগী লেমহৌবা শরুকশিংগীদমক্তা মমিং চৎলিবনি। স্পেনিজ কেপিটেল মাদ্রিদতা ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী কমেন্ট লৌনবা হোৎনখিবদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকখিদে হায়রি।

সোসল মিদিয়াদা থাগৎনখিবা ভিদিওশিংদা ঈ থোক্লবা নুপী অমা ফ্লোরদা তাদুনা লৈবা অমদি ঈ তৈরবা টি সার্ট লীৎপা মীপাইবা পোক্লবা অতোপ্পা নুপী অমগী শক্তম উবা ফংখি। টুরিষ্ট অনী অরুবা ফিভমদা লৈরি হায়না অহুমশুবা সিক্যুরিট সোর্স অমনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা চহী অনী অসিদা য়ুরোপিয়ন টুরিষ্ট কয়া কোয়বা লাক্ন খিবা অমসুং টুর ওপরেটরশিংনা মিদল ইষ্টকী খ্বাইদগী সেফ ওইবা টুরিষ্ট পস্থুংফমশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌনবা জোর্দান্দা মপানগী টুরিষ্টশিংদা এটেক তৌবগী থৌদোক মমাংদা ইথোক থোকখিদে।

# থাইলেন্দদা খুৎলায় পায়বশিংনা মীওই ১৫ হাৎখ্রে



বেঙ্কোক, নবেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :

সেপরেটিষ্ট লালহৌবশিংনি চিংনবা খুৎলায় মতিক চানা পায়বা মীওই কাঙবু অমনা মুস্লিমশিংনা নম্না লৈবা থাইলেন্দগী খা থংবা লমদমগী সিক্যুরিটি চেক পোইন্ট অমদা লান্দাদুনা পুলিস ওফিসর অমসুং ভিলেজ দিফেন্স ভোলন্টিয়র য়াওনা য়ামদ্রবা মীওই ১৫ হাৎখ্রে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা সিক্যুরিটি ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

বুধিষ্ট লাইনিং চৎপশিংনা মশিং য়াম্না লৈরিবা থাইলেন্দগী সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা মতম শাংনা লাল হৌদুনা মীওই লিশিং কয়া হাৎখ্রবা মুস্লিম লালহৌবশিংগী ইরাং কনবা লমদম অদুদা খ্বাইদগী শাথিবা সিঙ্গল এটেক অমা চথবসি হন্দক্কীসিনা অহানবনি হায়রি।

য়ালা প্রোভিন্সকী চেক পোইন্ট অমদা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অহিং অথেংবদা এটেক তৌখিবা খুৎলায় পায়বশিং অদুনা এক্সপ্লোসিভ কয়াসু শীজিন্নখিবগা লোয়ননা মখোয়বু তান্নরকপদা খুরৌ থাংহন্নবা হায়দুনা লম্বীদা য়োৎপিনচিংবা অতুম্বা য়োৎতেক থাঙতেক কয়াসু চাইখায়রমখি হায়রি।

এটেক অসি লালহৌবশিংগী খুৎ শোয়দনা ওইগনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মিলিটরিগী রিজনেল সিক্যুরিটি স্পোক্সমেন কর্নেল প্রমোট প্রোম-ইননা রোইটর্সতা হায়খি মদুদি, এটেক অদু হৌখিবা মতম খরা অসিদা চথখিবদা খ্বাইদগী চাওবনি হায়না লৌবা য়াই। লমদম অদুদা হান্নদগী তৌদুনা লাকপগুম এটেক অদুগী মতাংদা খুদক্কী ওইনা গ্রুপ অমত্তনা ক্লেম তৌরকখিদে।

বুধিষ্টশিংনা নম্না লৈবা থাইলেন্দগী ইথনিক মালয়-মুস্লিমশিং মশিং য়াম্না লৈবা প্রোভিন্সশিং ওইরিবা য়ালা, পাতানি অমসুং নারাথিৱাৎতা চহী ১০ রোম লৈরক্লবা লালহৌবগী ইরাংদা মীওই ৭,০০০ পুন্সি লোমখ্রে হায়না ইরাং অদুবু মোনিটর তৌবা গ্রুপ অমা ওইরিবা দিপ সাউথ ৱাটচনা ফোঙদোকখি।

চেক পোইন্ট অদুদা শিখিবা মীওই কয়াদি লোকেল পুলিস অমসুং মিলিটরিদা পাউ পীবগী থবক তৌবনি হায়না থাজনবা কম্ম্যুনিটি-ৱাটচস টাইপ অমা ওইরিবা ভিলেজ দিফেন্সগী ভোলন্টিয়র মেম্বরশিংনি হায়রি। লালহৌবশিংনা মহৌশাদগী ভিলেজ ভোলন্টিয়রশিং অদুবু মীচমশিংনি হায়না লৌদুনা এটেক তৌখিদবনি হায়না থাইলেন্দগী দিপ সাউথকী এক্সপার্ট দোন পথান্না ফোঙদোকখি।

# পাকিষ্টান্না অফঘান টালিবানবু থাজনিংঙাই ওইবা এন্টি-ইন্দিয়া এলিমেন্ট ওইনা শৌগৎলি : দোক্যুমেন্ট



ন্যু য়োর্ক, নবেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :

পাকিষ্টান্না অফঘান টালিবানবু অফঘানিষ্টান্দা ন্যু দিল্লিগী ইথিল মায়োক্নবা য়ানবা থাজনিংঙাই ওইবা এন্টি-ইন্দিয়া এলিমেন্ট অমা ওইনা শৌগৎলি হায়না য়ু এস কোংগ্রেসকীদমক্তা পুথোকপা দোক্যুমেন্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়ানা অফঘানিষ্টানগী খুথাংদা সেন্ট্রেল এসিয়াগা লল্লোন-ইতিক অমদি পোলিটিকেলগী হেন্না চেৎপা অমদি হকথেংনবা মরী থম্নবা হোৎনবদসু পাকিষ্টান্না অয়েৎ-অপন পীরি হায়না কোংগ্রেস্নেল রিছার্স সর্ভিসনা পুথোকপা পোলিসি ব্রিফ অদুনা ফোঙদোকখি।

পাকিষ্টানগী সিক্যুরিটি ইষ্টাব্লিসমেন্টতা অফঘানিষ্টান্দা ইন্দিয়াগী ইথিল হেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা ন্যু দিল্লিনা পায়খৎলকপা ষ্ট্রেটেজিক্কী ওইবা থৌরাংনা লাঙ্গোই চল্লকপা য়াই হায়বগী অকিবা চাওনা লৈ হায়নসু ব্রিফ অদুদা পনখি।

ইস্লামাবাদকী অকিবা অসি অফঘানিষ্টান্দা লৈরিবা ইন্দিয়াগী দিপ্লোমেটিক মিসন অমদি কম্মর্সল ফেসিলিটি কয়াবু য়ু এসনা তোয়না শৌগৎপগী ৱারোল ফোঙদোকপনসু হেঞ্জিনহল্লি হায়বা ব্রিফ অসিনা মখা তাখি।

মদুদা পল্লিবা ইন্দিয়াবু শৌগৎপা ৱারোল অদু য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা মমাংদা য়ু এসনা ইন্দিয়াবু অফঘানিষ্টান্দা শেল-থুম অমদি অতৈ চাওখৎ থৌরাং কয়াগী ফিভম ফগৎহনবদা মতেং পাংহনবা পাম্মী হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফমগা মরী লৈন্নে হায়রি।

পাকিষ্টান্না অফঘানিষ্টান্দা মরা চেৎপা ফিভম লৈহন্দনবা অমদি অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন মাঙহন্নবা শরৌ কয়া শীনবগী মতাংদসু ব্রিফ অদুদা পনখি। টালিবানগী লৈঙাক নীংশিংলিবা অফঘান কয়া মরু ওইনা নুপীশিংনা গ্রুপ অসিগী পোলিসিশিং হৌজিক ফাওবা কন্না য়ানিংদনা লৈরি। দোনাল্ড ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসন্না পাকিষ্টানগী মতেং লৌবা পাম্বদি মরু ওইনা পাকিষ্টান্দা লোত্তুনা লৈরিবা অফঘান টালিবান ওফিসলশিংবু ৱারী শানবা য়াহন্নবা তকশিনবগী মতাংদনি হায়নসু ব্রিফ অদুনা ফোঙদোকখি।

# য়েমেনগী পার্টিশিংনা লৈঙাক পায়মিন্নবগী এগ্রীমেন্ট য়ানখ্রে



রিয়াদ, নবেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :

সাউদর্ন সেপরেটিষ্টশিংনা কু অমা পাঙথোকখ্রবা মতুংদা য়েমেন্দা অনৌবা গভর্নমেন্ট অমা শেমদুনা পৱার পায়মিন্নবগী এগ্রীমেন্ট অমা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সাউদি কেপিটেল রিয়াদতা মালেমনা শকখঙবা য়েমেনগী গভর্নমেন্ট অমসুং সাউদর্ন ট্রাঞ্জিসনেল কাউন্সিলনা খুৎয়েক পীনখ্রে।

রিয়াদতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱারী শানবগী ৱাফম হৌদোকপগা লোয়ননা হীরম অসিদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা সাউদি অরাবিয়াগী ক্রাউন প্রিন্স মহমদ বিন সলমান, এমিরেট ওফ অবু দাবিগী ক্রাউন প্রিন্স মোহমদ বিন জয়েদ নাহয়ন অমসুং য়েমেনগী প্রসিদেন্ট অবদো রাবু মন্সুর হাদিনা শরুক য়াখি হায়না ইফে ন্যুজগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

এগ্রীমেন্ট অদু খুৎয়েক পীনদ্রিঙৈগী মমাংদা পাঙথোকপা থৌরমদা বিন সলমান্না হায়খি মদুদি, এগ্রীমেন্ট অদুনা য়েমেনদা পোলিটিকেল সোল্যুসন অমা পুরকপগা লোয়ননা লান লোইশিন্নবগী লম্বীদা খোঙ থাংজিনবা হৌহল্লগনি। মহাক্কী লৈবাক্না কুমজা ২০১৫ দগী মিলিটরি কোলিসন অমা লুচিংদুনা খুৎশম্মনা থবক তৌমিন্নরকখিবা য়েমেন অমসুং লোনা য়াবা গভর্নমেন্টপু শৌগৎপা হায়বসি সাউদি অরাবিয়াগী মরু ওইবা থৌদাংনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটনা লৌখিবা থৌদাংবুসু বিন সলমান্না থাগৎলদুনা হায়খি মদুদি, সাউদি অরাবিয়া অমসুং কোলিসন শৌগৎনবা হোৎনবদা য়ু এ ঈনা শীংথানিংঙাই ওইনা কৎথোকপগী থবক কয়া তৌখ্রে।

পনবা য়াবদি, য়ু এ ঈনা শৌগৎপা সাউদর্ন সেপরেটিষ্টশিংসু অরাব কোলিসন অদুদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবনি। হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা য়ু এ ঈনা য়েমেনগী খা থংবা লমদমদগী টুপশিং ৱিথদ্রো তৌবা হৌখ্রবনি। হৌখিবা ওগষ্টতা প্রো-গভর্নমেন্ট টুপশিংগা খুৎ থোক্নরবা মতুংদা সাউদর্ন সেপরেটিষ্টশিংনা মালেম্না শকখঙবা গভর্নমেন্টকী মফম ওইরিবা অদেন মতম খরা খুদুম চন্দুনা থমখি। য়ু এ ঈনা শৌগৎপা কাঙবু অদুগী থৌওং অদুবু হাদিনা ষ্টেটকী লোনা য়াবা ইন্সটিট্যুসনশিংগী মায়োক্তা চথবা কু অমনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

কুমজা ২০১৪ দা য়েমেনগী কেপিটেল সানাদা শোক্নখিবা লান অমদা হৌথি লালহৌবশিংনা হাদিগী গভর্নমেন্টপু সানাদগী তান্থোকখিবনি।

য়েমেনগী ৱাথোকশিংগা মরী লৈননা অখন্নবা হাপ্পা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী স্পেসল এনভোই মার্টিন গ্রিফিক্না এগ্রীমেন্ট অদুদা য়াওরিবা য়েমেনি পার্টিশিংদা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকপগা লোয়ননা দিল অদু পুরকপদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবগীদমক সাউদি অরাবিয়াবুসু থাগৎখি।

# চাইনা, পাকিষ্টান্না সী পি ঈ সী কোওপরেসন চাওথোকহল্লগনি



ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :

চাইনা অমসুং পাকিষ্টান্না চাইনা-পাকিষ্টান ইকনমিক কোরিদোর (সী পি ঈ সী)গী মখাদা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা কোওপরেসন পীনবা হেনগৎহনবগী ৱাফম য়ানখ্রে।

সী পি ঈ সীগী ৯ শুবা জেইন্ট কোওপরেসন কম্মিটি (জে সী সী)গী মীফমদা নাকল অনীনা য়ানবা অসি পুরকখিবনি। সীনহুৱগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না পাকিষ্টানগী প্লানিং, দিভলপমেন্ট এন্দ রিফোর্মস মিনিষ্টর খুসরো বাখটিয়রনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হায়খি মদুদি, মরু ওইবা পান্দম কয়া ফংবা ঙমখিবা নৎত্রগা চহী অসিনা লোইবা ফাওবগী মনুংদা পান্দম কয়া ফংবা ঙমগদৌরিবা অদুনা মরম ওইদুনা সী পি ঈ সীগী ওইনা চহী অসি য়াম্না মরু ওই।

হন্দক্তা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান্না চাইনাদা খোঙচৎ কয়া চত্তুনা চাইনিজ লিদরশিংগা ইন্টরেক্সন তৌনখিবা অসিনা তশেংনমক এগ্রীকলচর, ইন্দষ্ট্রি অমসুং সোসিও ইকনমিক দিভলপমেন্টনচিংবা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা মতুং তারকপদা লৈবাক অনীগী মরক্তা পীনবা কোওপরেসন হেনগৎহল্লগনি হায়না মহাক্না গভর্নমেন্ট, ফাইনান্সিএল ইন্সটিট্যুট অমদি কম্পনি কয়াগী মায়কৈদগী লাকখিবা পাটিসিপেন্ট ২০০ রোমদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তানা হায়খি মদুদি, সী পি ঈ সী অসি কোরিদোর অমনি। মসিনা লমদম অপুন্বা অসিদা কোওপরেসনগী থোঙ হাংবগা লোয়ননা লমদম অসিগী ৱাংমদসু অসিগুম্বা কোওপরেসন অসি য়ৌহনগনি।

মহাক্কী গভর্নমেন্টনা সী পি ঈ সী ওথোরিটি লীংখিবগা লোয়ননা মদুনা সী পি ঈ সীগা মরী লৈনবা ইশ্যু খুদিংমক য়েংশিন্দুনা পাকিষ্টান গভর্নমেন্টনা প্রোজেক্টশিং খোঙজেল য়াংনা পায়খৎপদা মতেং পাংলগনি।

চাইনাগী নেসনল দিভলপমেন্ট এন্দ রিফোর্মস কম্মিসনগী দেপ্যুটি হেদ নিং জেজাহনা মীফম অদুদা ফোঙদোকখিবদা, নাকল অনীগী লুচিংবশিংনা লম খুদিংমক্তা বাইলেটরেল কোওপরেসন পীনবগী মতাংদা মরু ওইবা য়ানবা কয়া পুরকপা লৈখ্রে। লৈবাক অনীগী মরী হীরম খুদিংমক্তা শীংথানিংঙাই ওইনা ফগৎলগনি হায়বগী থাজবা চাওনা লৈরে। মীফম অদুদা সী পি ঈ সীগী ইনর্জি, ট্রান্সপোটেসন ইনফ্রাষ্ট্রকচর, ইন্দষ্ট্রিএল কোওপরেসন, গ্বাদর পোর্ট অমসুং সোসল-ইকনমিক সেক্তরশিংগী ৱার্কিং গ্রুপশিংনা প্রোগ্রেস কয়া লৈরে হায়না থমখি।


## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : KUMBI, MANIPUR

**Ref :- Mut Case No. 718/SDC/KBI/2019 25/10/2019**

1) Leivon Thoipi Kom D/o Leivon Adapu Kom of Sagang.
2) Leivon Lemboi Kom S/o Leivon Adapu Kom of Sagang.

*...Petitioner*

-Vrs-

Chairengchung Kom S/o (Late) Irijao @ Adapu Kom of Sagang - Pattadar

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Kumbi, the 4th November, 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৬০ - সগাংদা লৈবা পাট্টা নং ৪৫০ (অনৌবা), সী এস দাগ নং ১০৩৬, এরিয়া ২.৭০ একর চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: পাট্টাদারগী মচানুপী অমসুং মচানুপা পেটিস্নর অনীদা মীং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি / ওবজেক্সন তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না মখা কেস চত্থগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই।

HL-P/5219/7 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Kumbi**

## OFFICE OF THE KAKCHING MUNICIPAL COUNCIL, MANIPUR

ꯈꯪꯍꯟꯕ/**NOTICE**

Kakching, 6th November, 2019

**No.6-25/KMC/ST/2017-100 -** অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Kakching Bazar, Budhiraj Road কী Western side তা লৈরিবা Kakching Municipal Council গী A-Class Shooping complex কী rented plot/shop No. 10 (ground floor) গী allottee ওইনা লৈরিবা Yengkhom Khogen Singh S/o Y. Mangijao Singh of Kakching Turel Wangma, Ward No. 4গী মীং অসি official record তগী ককথৎলগা Kakching Mayai Leikai Yaikhom Pareng দা লৈবী Nongmaithem Ranjana Devi, W/o N. Subhas Singh গী মিংদা দুকান অসিগী allottee গী মিং ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা দুকান অসিগী allottee গী মিং ওনবা অসিগা মরী লৈননা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি (Objection) তৌনীংবা লৈরবদি নোটিশ অসি ফোঙবদগী পারগা নুমিৎ তরেৎনিগী মনুংদা অইবা চেনা Executive Officer, Kakching Municipal Council দা মরম চাবা ৱারোল পীদুনা দরখাষ্ট থারকপা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি (Objection) অমত্তা লৌরোই অমদি allottee গী মিং ওনখ্রগনি।

**Sd/- Tunglut Khamminthang**
**Executive Officer,**
**Kakching Municipal Council**

HL-P/5789/7

## ꯊꯥꯒꯠꯄ/ থাগৎপা ফোঙদোকচরি পাইলসকী ওজা ABDUL HAK মণিপুরদা অতাঙবা ওজানি

পাইলসকী প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা খোঙ হাম্বা য়াদবা, লিকপা, শৌজ মনুং মপান্দা পোম্বা, শোকপদা নাবা, চিকপা, শাবা, চাথৎলগা থুপ্পা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী চেকখাইরগা ঈ তাবা, পুক খোংবা, গ্যাষ্ট্রিক্কী মওংগুম, খ্বাং নাবা, লেঙশিনবা, চানীংবা পোক্তবনি। ওজাগী হীদাক চাজবদগী মথক্তা পনঞ্জখ্রিবা লায়নাশিং অসি মপূং ফানা ফজখি। ওজাবু পুন্সিদা কাউজবা ঙমজরোই। মীয়ামগী থৌগল মপুনা পুন্সি নুংশাংনা তৌবা ঙমহনবীবা ওইহনসনু । মরম অসিনা ওজা অবদুল হকপু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। ওজাগী Contact No. 8794429681, 8014623756 নি।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-**

1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6:30-4:30 p.m.)
2. 7th MR Gate Khabeisoi, (Wed.-Thurs.) (10am-4pm)

HL-P/5090/7 *থাগৎচরিবী :* **O. Rosni,** Mongsangei Makha Leikai

## [illegible]/ষ্টাফ খরা পামজে

— Qualification : 12th Pass
— Age : 25-35, Both Male & Female
— Desirable : মশাগী Two Wheeler লৈবা
— Office Location : Lamsang, Imphal West
— Interested Persons please contact :- 8837081131

HL-P/5239/7

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; LILONG CHAJING, IMPHAL WEST

**Ref :- Mut. Case No. 482/SDC/IW/LC of 2019**

1) Wangjam Rameshwor Singh S/o (Late) Tomba Singh of Singjamei Waikhom Leikai.
2) Sapam Nolini Devi W/o Samananda Singh of Pishumthong Oinam Leikai.
3) Wangjam Mocha Singh S/o (Late) Tomba Singh of Singjamei Makha Waikhom Leikai.
4) Wangjam Brojen Singh S/o (Late) Tomba Singh of Thongju Boroi Makhong. *...Petitioners*

-Vs-

(Late) Wangjam Tomba Singh S/o (L) Selungba Singh of Nameirakpam Leikai, Thongju Part - II ...Opposite Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Lilong Chajing, the 6th Nov. 2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি এস দি সী লিলোং চজিংগী মখাদা লৈবা খুল নং ৬৭-লংথবাল কুঞ্জগী অরিবা পাট্টা নং ৭৬, ৪৭৬, অনৌবা পাট্টা নং ২২৯/১৩৫, দাগ নং ১৫৮৪/১৯৭৬, এরিয়া ০.১৩০০০ একর চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার ৱাংজম তোম্বা সিংহ পী: মৃ: সেলুংবা সিংহ সাং নামৈরাকপম লৈকায়, থোংজু পার্ট টু অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিংদা লৈরিবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরশিংগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অসিনা লৌফম অসিগী মরীদা আপতি তৌনীংবা মরী লৈনবা মীওইশিংনা 'নোটিশ' অসিনা পাউচে অসিদা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা উক্ত কোর্ট অসিদা আপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ অমত্তা কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector,** Lilong Chajing, Imphal West

HL-P/5116/7